HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



নুমিৎ ১০নি চঙশিল্লক্লিবা বন্দগী খোঙজং মনুংদা ময়ায় লম্বীগী ওইনাম শওম্বুংগী ইম্ফাল বরাজ চঙফম ময়াগী লম্বীদা শৌগৎপশিংনা লম্বী ময়ায়দা মৈ থাদুনা অচৎ অওকশিংবু থিংখিবা

লৌশিং পূক্কে : হাইপরটেন্সন নাবগী মশিং হৌখিবা... লামায় ২
লামায় ৪ নোংমৈ, বোম, টিয়র গ্যাসকী মখোলদা তূমখুন!
হে কেক মীপূক হূবী! নঙ! নঙ! নঙ চৎখ্রোবা! লামায় ৫
লামায় ৬ মণিপুর লৈঙাক্লা মীয়াম্বু অপঙবা শীদুনা মণিপুর...
পোল দাটা পুথোকপগী অকক্লবা মতম... লামায় ৮
লামায় ১০ নেশন্স লীগ : পেনাল্টি শুটআউটতা পোর্টুগলনা...

এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বী পরিংগী অৱাং খুনৌ ময়ায় লৈকায়দা মফম অদুগী মীয়াম্না বন্দগী খোঙজং শৌগৎতুনা হায়ৱে অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌবা মীয়াম্বু থিংবগী খোঙজং চঙশিনখিবা



Vol. 49, Issue No. 070 | লৈবাকপোকপা, ইঙাগী ১৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, June 10, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# অরাম্বাই তেঙ্গোলগী বন্দনা তম্পাক্তা খুন্তাক লানশিরি, এয়রপোর্টতদি মহৌশাগুম্না মী তিল্লি

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :
থা অসিগী ৭কী নুমিদাংদা পুলিসকী খূৎপু অমনা উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদা লৈবা অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট অমগী লুচিংবা অসেম কানন অমসুং মহাক্কা লোয়নবা মীওই ৪ পূন্না তেঙ্গোল্লোই ৫ ফাজিনখিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা খুদক্তা থাদোক্কদবনি হায়দুনা অরাম্বাই তেঙ্গোলনা নুমিৎ অদুগী নোংয়াই মতুংদগী নুমিৎ ১০নিগী ওইনা চঙশিল্লক্লিবা বন্দগী খোঙজং তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিং ওইরিবা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীংগী মফম অয়াম্বদা হৌনরুবা তৌদনা মীয়াম থোরক্তুনা বন্দ শৌগৎনরকপগী অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লক্লবসু ইম্ফাল এয়রপোর্টতদি মহৌশাগুম্না পাইরকফম থোকপা ফ্লাইটশিং পাইরকপা অমসুং পেসেঞ্জরশিং পুদুনা তোঙান তোঙানবা মফমদা পাইখিগদবা ফ্লাইটশিংসু লেপ্তুনা পাইরিবনা মহৌশাগুম্না মী তিল্লি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরেন অমসুং রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা এয়রপোর্টথাদোক্লমদাইদা উনহৌনবা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী পাউমী খরা চঙশিন্দুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা খোঙচৎ



জুন ৯, ২০২৫গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা রাজ সভাগী এম পি নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমসুং এন বিরেননা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লমদাইদা উনখিবা পাউমীশিংনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা মহৌশাগুম্না মী চিক্ল-চাইনা ঙমদনা তিল্লম্বা থেংনরকখিবা

অসিগী মতাংদা মহাক্লা ফোঙদোক্লম্বা ৱাফমশিং লৌখিবা পাউমীশিংনা এয়রপোর্ট অসিদদি মহৌশাগুম্না পেসেঞ্জরশিং খক্তা নত্তনা মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থিন্দোক্লবা অমসুং হল্লকপদা ওক্লবগী ঙাইনবা থেংনরকখি। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সকী পর্সনেলশিংনসু মখোয়গী ওফিশলশিং চৎখিবা অমসুং লাকপগী থিন্দোকপা অমসুং ওকপগী থবকসু পাঙথোক্লরমখি।

অদুম ওইনমক মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা এয়রপোর্টকী কেম্পসতা পার্ক তৌরম্বা গাড়ী মচা অমসুং অচৌবশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## বিষ্ণুপুরগী এদিশনেল এস পি ৱাংখোম্বা ওক্রমচা অমসুং মহাক্কী এস্কোর্ট পর্সনেল ১ শোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :
ঙসি অয়ুক পুং ১১.২০ লোম তারকপদা নুমিৎ ১০নিগী চঙশিল্লক্লিবা বন্দগী খোঙজং শৌগৎপশিংনা টায়র অমসুং উশিং মৈ থাদুনা টিদ্দিম লম্বী পরিংগী নম্বোল থোংখা এরিয়াদা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপগী পাউ তাবদগী বিষ্ণুপুরগী এদিশনেল এস পি ৱাংখোম্বা ওক্রমচা য়াওনা এদিশনেল এস পি (লো এন্দ ওর্দর, ওপস) না লুচিংবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কম্মান্দোগী ও সী, কম্মান্দোগী দি এস পি অনী, এস দি পি ও অমসুং নম্বোল ও সীনা কম্মান্দোগী মোবাইল টিম ৪/৫গা লোয়ননা চঙশিন্দুনা খোঙজং চঙশিল্লিবশিংবু তানখায়দুনা লম্বী ফাৎনবা হোৎনখি হায়রি।

অদুম ওইনমক খোঙজংদা শরুক য়ারম্বা মীওই ১০০ রোম্না পুলিস পর্সনেলশিংদা নুঙনা থারকখিবদা এদিশনেল এস পি ৱাংখোম্বা ওক্রমচা অমসুং মহাক্কী এস্কোর্ট পর্সনেল অমা শোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## খূৎলায় থাদোকখ্রগা ফাগৎলকপা য়ানীংদে : দ্বিজমনি



অরাম্বাই তেঙ্গোল্লোই দ্বিজমনি

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) : অরাম্বাই তেঙ্গোলগী কম্মান্দর অমা ওইরিবা অসেম কাননবু মরম চাদনা ফাখিবগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা বন্দগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদা এ টি-৫৮ য়ুনিটনসু শৌগৎতুনা থোংজু নামৈরাকপম লৈকায়গী বেনি লৈরক মপাদা এন ঐচ-১০২ থিংদুনা বন্দ শৌগৎলি। মফম অসিদা লম্বী থিংদুনা খোঙজং চঙশিল্লম্বা এ টি-৫৮ য়ুনিটকী ৱাঙাংলোই দ্বিজমনিনা পাউমীশিংদা হায়, ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ইন্দিয়াদা কোভিদকী অনৌবা ভেরিএন্ট 'এক্স এফ জি' থেংনরে, পোজিটিভ কেস লিশীং তরুক হেল্লে

ন্যু দেল্লী, জুন ০৯ (এজেন্সী) :
চহী খরগী মমাঙদা মলেমগী লৈবাক শীনবা থুংনা শন্দোরকখিবা কোভিদ লাইচৎনা লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমক্তসু য়ৌশিল্লক্তুনা খম থেংনা অৱাবা চৈথেং মায়োক্লরুরবা মতুংদগী খরা খরা শাফরক্লবা মতুংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট খরনা অমুক হন্না লান্দারকপগী ফীভমদা লৈবাক অসিগী মফম খরদা এক্টিভ কেসশিংগী মশীং হেনগৎহল্লক্লবা মতুং ঙসি ফাওবদা খ্বাইদগী ইকোন কোন্না মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা পীবা রিপোর্টকী মতুংইন্না লৈবাক অসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## অরাম্বাই তেঙ্গোলগী তেঙ্গোল্লোই 'কানন' ফাখিবগী মায়োক্তা মহাক্কী লোয়নবীনা হায় কোর্টতা ক্রিমিনেল পিটিশন ফাইল তৌরক্লে

ক্রিমিনেল পিটিশন অসি চীফ সেক্রেটরি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি, ইম্ফাল পি এসকী ও সী অমসুং সী বি আইগী দিরেক্টরগী মথক্তা ফাইল তৌরকপনি

ঙসি চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নরগনি

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ৭কী নুমিদাংদা উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদা লৈবা মশাগী ময়ূমদা নুমিদাংগী চাক চারগা থোকখিবদগী ইবোতোনম্না গর্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুল মনাক্তা লৈবা মফম অমদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশন (সী বি আই) না ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী ঙরাং অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মেম্বর



কাননগী লোয়নবী অসেম ওংবী গুনি

অমা ফারে হায়দুনা ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা

কাননগী লোয়নবীনা কোর্টতা হায় :
•ইপুরোইববু শকখঙদবা পুলিস পর্সনেলশিংনা ইল্লিগেল ওইনা ফাখিবনি
•এরেষ্ট মেমো নৎত্রগা ৱারেন্ট য়াওদে অমসুং ইমুংদা খঙহল্লক্তে
•এস পিদা পীশিনখিবা ৱাকৎ চেরোলগী পাউখুম পীরক্ত্রে

ফাখ্রিবা অসেম কাননগী লোয়নবী অসেম ওংবী গুনি (৪০) না ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## অহানবা ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা মণিপুরগী কুকি-জোগী সূ গ্রুপশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ০৯ (এজেন্সী) :
মণিপুরগী কুকি-জো ফূরুপনা কোনশিনবা কাঙলূপশিংগী খূৎলায় পায়বা গ্রুপশিংগা ঙসিদগীনা চহী ২১ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০০৫দগী 'সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন' (সূ) গী অয়াবা থম্নবা হৌরকপদগী অহানবা ওইনা ঙসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) গী মকোক থোংবা ওফিশল মরিনা শরুক য়াদুনা মণিপুরগী কুকি-জোগী সূ গ্রুপশিংগী মীহুৎশিংগা অহানবা ওইনা 'ফোর্মেল মীটিং' অমা ঙসি ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মীফম অসিদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হোম মিনিষ্ট্রিগী সিক্যুরিটি এদভাইজর (নোর্থ ইষ্ট) সু ওইরিবা ইন্টরলোক্যুটর এ কে মিশ্রানা লুচিংখি। অদুগা মণিপুরগী কুকি-জো কাঙলূপকী খূৎলায় পায়বা গ্রুপশিংগী মনুংদগীনা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) অমসুং কুকি নেশনল ওর্গনাইজেশন (কে এন ও) গী মায়কৈদগী মীহুৎ মঙানা শরুক য়াখি। মখোয়বু

'পোলিটিকেলগী ওইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা রোদ মেপ অমা শেম্বদা নাকল অনীনা য়ানখ্রে'

কে এন ওগী ৱাঙাঙলোই ডা. সৈলেন হাওকিপ অমসুং য়ু পি এফকী ৱাঙাঙলোই আরোন কিপগেননা লুচিংখি।

নাকল অনীগী ওইবা অহানবা ফোর্মেল মীটিং অসিনা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক 'পোলিটিকেল দাইলোগ' চখনবা মাঙজিল থানা থবক পায়খৎমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাফমদা য়ানখি। অদুগা মণিপুরগী হায়ৱেশিংদা অমুক হন্না ফ্রী মুভমেন্ট তৌহনবা নৎত্রগা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংবু খুন্দা লৈতাহনবগী থবক্লচিংবগী মতাংদদি পুকচেল শেংনা অমসুং থেঞ্চাং নাইনা পোলিটিকেলগী ওইবা নেগোসিএশন অমা পুরক্ত্রগদি ওইথোক্লোই হায়বা ৱাফমগী মতাংদসু পুথোক্তুনা খন্নখি।

অমরোমদা, হৌজিক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## বন্দগী খোঙজং লেপ্তুনা চঙশিল্লি

### শুগুনু : ঙসি নুংথিল পুং ৬ ফাওবদা লৈঙাক শেমগদবনি

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) : অরাম্বাই তেঙ্গোলগী তেঙ্গোল্লোই অসেম কানন য়াওনা তেঙ্গোল্লোইশিংদা শিরক্লিবা মরাল য়ানীংদে, মখোয়বু অথুবা মতমদা থাদোরক্কদবনি অমসুং মণিপুরগী মপান্দা লৈখিবা এম এল এশিং হয়েং জুন ১০ ফাওবগী মনুংদা হল্লক্তুনা নুমিৎসিগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা মীয়ামগী লৈঙাক শেমগদবনি হায়দুনা ঙসি নুমিদাং শুগুনুদা মশীং য়াম্লবা মৈরা পায়বীশিংনা দিমান্দ তৌবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে। ককচীং দিষ্ট্রিক্ট অপূনবা মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা এ টিগী তেঙ্গোল্লোইশিংদা মরাল শীবা য়ানীংদে অমসুং মখোয়বু কন্দিশন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি, গৌরব দোগ্রা মণিপুরদা লৈবা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাওশিং লাউখি।

খোঙজংদা শরুকয়াখিবী ...মখা লমায় ৬ কলম ৪

### কুম্বী : অসেম কানন কন্দিশন য়াওদনা খুদক্তা থাদোক্কদবনি

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) : চঙশিল্লক্লিবা নুমিৎ ১০নিগী বন্দগী খোঙজং অসিবু শৌগৎলদুনা অপূনবা কুম্বীগী নুপীশিংনসু অরাম্বাই তেঙ্গোল্লোই অসেম কানন অমসুং অতোপ্পা মরি ফাজিনখিবা য়ানীংদে, মখোয়বু অথুবা মতমদা থাদোরক্কদবনি হায়বা য়াওনা এম এল এশিংনা হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমগদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাওশিং লাউখ্রে।

খোঙজংদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বী লুচিংবা ৱাহেংবম সর্দানা হায়, এম এল এশিংনা হয়েং নুংথিল পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক শেমগদবনি, করিগুম্বা শেমদ্রবদি এম এল এশিংগী মথক্তা মমা ময়াম্না হনবা লৈতনা খোঙজং চঙশিল্লক্কনি, ঐখোয়গী লৈবাক মপু পালহনবীয়ু, লৈঙাক শেম্বীয়ু অমসুং ইচাশিং কনবিয়ু হায়খি।

খোঙজংদা শরুক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## বন্দগী খোঙজং মরক্তা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরেন অমসুং এম পি সনাজাওবা অমিট শাহ উনরুনবা দেল্লীদা চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাগী ২০দগী হৌদুনা উখ্রুলদা নুমিৎ মঙানি চথখিবা ষ্টেট লেভেল শিরুই লিলী ফেষ্টিবেল ২০২৫ বু গভর্ণর এ কে ভল্লানা হৌদোকপা থৌরমগী পাউ লৌনবগীদমক দি আই পি আরনা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস অমদা পুখিবা পাউমীশিংনা তোংবা বস অদুদা 'মণিপুর' থাবা য়ারোই হায়না সিফাইশিংনা হায়রকপদগী লৈবাক ৱাথোক ওইরকখিবদুগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা থা অসিগী ৭কী নুমিদাংদা উরিপোক সোর্বোন থিঙেলদগী অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মরু ওইবা তেঙ্গোল্লোই অসেম কাননবু পুলিসকী খূৎপু অমনা ফাখিবা থৌদোক্তগী এ টিনা নুমিৎ অদুগী নোংয়াই মতুংদগী নুমিৎ ১০নি বন্দগী খোঙজং অকনবা মওংদা চঙশিল্লক্লিঙৈগী চৈরক্তা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিরেন অমসুং রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ উনরুনবগীদমক ঙসি দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী হোম



চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেননা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লবা এয়রপোর্টতা লাকপা

মিনিষ্টর উনরুনবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা লুচিংবা অনীমক ঙরাং হোম মিনিষ্ট্রিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## তেরা সাপম লৈরক : সিক্যুরিটিদা নোংমৈ কাপশিল্লকই হায়বদগী ঈরাং থোক্লমগদৌরে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) : ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তেরা সাপম লৈরক এরিয়াদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবগীদমক পেট্রোলিং চৎলিঙৈদা কদোমদগী কাপ্লকপনো খঙহৌদ্রবা নোংমৈ মরূ অমা কাপশিল্লকই হায়দুনা ঈরাং থোক্লমগদৌরে।

থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুং নুংথিল পুং ৪.৩০ তারকপদগী ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল ফোর্সনা মফম অদুদা কোম্বিং ওপরেশন চথনবা তৌরকপদগী মীয়ামগা ৱারী শানরবা মতুংদা ওপরেশনদি তৌখিদ্রে হায়রি।

## অরাম্বাই তেঙ্গোলগা মরী লৈনদে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) : ঙসি নুমিদাং অরাম্বাই তেঙ্গোল জি ঐচ ক্যুগী কন্ট্রোল রুম ওপরেটর লাইশ্রম রোবাসননা খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমদা তেরা সাপম লৈরক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সতা নোংমৈ কাশিল্লে হায়না তৌরিবসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## এম য়ুগী এগজামশিং য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কন্ট্রোল্লর ওফ এগজামিনেশন্স টি শান্তিকুমারনা ঙরাং থোকপা নোটিস অমদা মহৈকোল অসিগী এগজামিনেশন খুদিংমক হৌজিক ওইরিবা ষ্টেটকী ফীভম অসিনা মরম ওইরদুনা য়ৈথোক্লে। অথুবা মতমদা শেমদোক্লগা এগজামিনেশনগী সেদ্যুল খঙহল্লক্কনি হায়রি।

## এম আই টিগী এদমিশন য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) : মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি), মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী একাদেমিক সেসন ২০২৫-২০২৬কী বি ঈ অমসুং এম টেককী এদমিশন প্রোগ্রামগী মরু ওইবা নুমিৎশিং য়ৈথোক্লে অমসুং মখা তানা খঙহল্লক্কনি হায়না ইন্সটিট্যুট অসিগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর এম বসন্তগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## গভর্ণরগা উনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) : বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী মিজোরাম অমসুং কছার ফ্রন্টিয়রগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরবা রবিকান্ট, আই পি এসকা ঙসি রাজ ভবনদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগা উনখ্রে।

## মাষ্টেককী প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) : ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈরিবা মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিল (মাষ্টেক) না শীন্দুনা থা অসিগী ২৪দগী ৩০ ফাওবা 'রেসিদেন্সিএল স্কিল দিভেলপমেন্ট ত্রেনিং প্রোগ্রাম ওন ফুদ প্রোসেসিং' হায়বা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্কদৌরি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## মণিপুরগী তমথীরবা লান অসি চহী ৫/১০ চঙখিগদবা ওইরবসু লাঞ্জেন্নরকপা ঐখোয় পাকখন খল্লবসু ইনীং তম্না লৈহনবীরো : এন রোমিও

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী য়াইফকোল থিঙ্কাংফাইদগী খুঞ্জা

ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) :
মে ৩, ২০২৩দগী তমথীরবা লান অসি হৌরকপা কুইদ্রিঙৈদা লানগী থৌদোকশিংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংনা লাউরম্বা খোল্লাও অদুগা হৌজিক চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লবা মতমদা লাউনরকপা খোল্লাওগগী মরক্তা খেন্নবা খরা লৈরগনি। অহানবা লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরকপা মতমদদি আই দি পিশিংনা মখোয়বু মশাগী য়ূম-ইম্বোলদা য়াম্না থুনা হঞ্জিলহনবীরো হায়দুনা লাউখিবনি অদুগা হৌজিক লান অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা চহী ২ হেঞ্জিল্লক্লবা মতম অসিদা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়না





লাউনীংলিবদি লান অসি মখা তানা চহী ৫/১০ হেন্না চঙলবসু ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা ফাওবদি লাঞ্জেন্নরকপা ঐখোয়বু কম্মিটিনচিংবশিংগী মখাদা লৈহনবীবগী মহুত্তা পাকখন অমত্তং ওইরবসু খন্দুনা ইনীং তম্না লৈজবা য়াবা মফম অমা শিনবীরো হায়বসিনি হায়না হিয়াংথাংগী কামখ্য পেমতোন কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ৪৩ রোম শুরবা নিংথৌখোংজম রোমিও মৈতৈনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক লান অসিগী হৌরকফম ওইরিবা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী য়াইফকোল থিঙ্কাংফাইদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্প অসিদা মহাক্কী লোয়নবী নিংথৌখোংজম ওংবী তেম্বীসনা অমসুং মচা অহুমগা লোয়ননা লৈরকখিবনি।

মে ৩, ২০২৩দা কুকিশিংনা চূড়াচান্দপুরদা রেল্লি চৎলবা মতুংদগী মীতৈদা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথরকপদগী মায়োক্লরখিবা অৱা অনাশিং নীংশিংলদুনা মহাক্না পাউচে অসিদা হায়, চূড়াচান্দপুরদা লৈবা ইশাগী য়ূমদা লৈজরিঙৈদা চেক শূবা চৎতুনা ইমুংগী অৱাৎ অপা য়েংশিঞ্জরম্মী। অদুবু রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদগীদি ইচাগী লাইরিক লাইশু তম্বদা ফাওবা মনীং থুংহনবা ঙম্বদি লায়রদনা চানীংবা অমা হায়রকপদা পীজবা ঙমদদুনা মীৎতগী পি তারগা খাঙখিবা কোঙ্গাইনি। (মথং-মথং)

## 'লৈঙাক শেমগদবা মীহুৎশিংনা শেমদ্রবদি মীয়ামগী অশাউবা এম এল এশিংদা তারক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে'



ইম্ফাল, জুন ০৯ (ঐচএনএস) : লৈঙাক্কা য়ানখ্রবা মতুংদা ফাবা-পূনবগী থবকশিং চথরক্লিবসি মণিপুরদা তংদু লৈতাবা লৈতনবা হোৎনরকপনি হায়রদুনা লৈঙাক পায়গনি হায়দুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইখ্রবশিংনা লৈঙাক পায়দ্রবদি মীয়ামগী অশাউবশিং এম এল এশিংদা তারক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে হায়না উরিপোক অপূনবা লূপ অমসুং উরিপোক অপূনবা নুপী লূপনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫